**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-05-2026)**

**সটদাউন্দ (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী, নেসনেল হায়ৱে-টুদা হৌজিক চথরিবা সটদাউন্দ অসিনা ইম্ফাল তমা লাক্কদবা পেসেঞ্জর য়াওনা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি লিশিং অমরোম সেনাপতি জিলাগী খোংনেম খুলদা পন্দুনা লৈরি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখিনিনা হায়-গাড়িশিং অসি মফম অদুদা পল্লকপা নুমিৎ মরিনি-মঙানি শুরে।

অমরোমদা, মফম অদুদা পন্দুনা লৈরিবা গাড়িশিংগী দ্রাইভরশিং, হেল্পরশিং, দমেনশিং য়াওনা পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিংদা তোংলকখিবা মীওইশিংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক ওন্নরস এসোসিয়েসন অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ত্রক দ্রাইভরস য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী চান-থকবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। সটদাউন্দ অসিনা মরম ওইদুনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা মরী লৈননা এসোসিয়েসন অমসুং য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী রাজ্য অমসুং কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চংদুনা লম্বী অসিদা অপনবা লৈতনা চৎথোক চৎশিন য়ানবা পুকিং চিংশিল্লক্লি।

অমরোমদা, ইম্ফালদগী দিমাপুরদা চৎকদবা গাড়িশিং সেকমাইদা পন্দুনা লৈরি। অমরোমদা, ইম্ফাল তমা থোরক্কদবা গাড়িশিং ইম্ফাল তমা পুথোকপীরকবা ওল মনিপুর রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ মোটোর ৱাকরস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি-মাইমোম অনিলনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

মরক অসিদা, লিয়াংমৈ নাগা ৱিমেন্স, খুমজি লোংমাইনা ঙসি খুমজিগী লুখম্বী বজার সেদতা নাগাগী মীওই তরুক থা অসিগী ১৩ দা ফাজিনখিবা অদু খুদক্তা থাদোকপীরকবা দাবী তৌদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

**শিব (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-নেসনেল হায়ৱেদা বন্দ কৌখিবদগী গাড়ি কয়ামরুম পন্দুনা লৈরিবা অসি সরকারনা অহেনবা সেক্যুরিতি কনভোই থাজিনদুনা ইম্ফাল তমা পুরকবা হোৎনবীগদবনি।

বাবুপারাদা লৈবা বালা সহেব উধপ থাক্রে ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা বন্দ কৌখিবা অসিনা মরুওইনা নেসনেল হায়ৱে টু, ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী পরিংদা চৎলিবা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং প্বা গাড়ি ৪০০ রোম হৌজিকসু পন্দুনা লৈরি। দ্রাইভর অমদি হিন্দিমেনশিং চান-থকবা লৈরক্তবা অমদি অনা অয়েক য়াওরকপনচিংবা তৌরকপনা খুদোংচাদবা কয়ামারুম মায়োকহল্লে। মরম অদুনা, কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা হোৎনদুনা গাড়িশিং অসি পুথোরক্কদবনি।

শ্রী তোম্বীনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিগা মরী লৈননা মীওই কয়া ফাজিনখিবা অদু সরকারনা মখোয়বু অথুবা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকবা হোৎনগদবনি। চহি অহুম হেনজিল্লক্লবা ইরাং অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম, মরুওইনা নোংমগী শুরা-নোম্লগা চরা তাল্লিবশিংদা চাউনা চৈথেং পীরে।

**ৱাকৎ (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে অহুমদগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা মীহাৎ মীপুন য়াওনা ঙসি ফাওবা থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদু ইম্ফাল ইষ্টকী খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল-সাইকুল লম্বীগী নাক-য়েৎতা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা লমশিংগী ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা শিন্দুনা চথখিবনি।

**লোকেন (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংনা ঐগী ঐগী হায়বা ৱাখল্লোননা মাং থাদুনা থবক তৌনরকপনা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লক বগী মরমশিং ওইরি হায়না আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-কে.ঐচ. লোকেননা হায়রি।

অপুনবা চীং-তমগী চহি হৌবা শজিবু চৈরাউবাঃ ৱাংঙুলোল অমসুং থৌরম হায়বসিদা অপোকপা মরুপনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াই লম্বী থোংখোঙ কৈথেলদা লৈবা অপোকপা মরুপকী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শ্রী লোকেননা মখা তানা হায়-পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্তুনা লৈবা লমদম অমনা কৈদৌনুংদা চাউখৎপা ঙমলোই। রাজ্য অসিদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মরক্তা পুনশিনবা ঙমদবগী অচৌবা শাফু অমা হৌখিবা চহি খরা অসিদগী মায়োকদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা অহোবা কয়া লৈরি। মসি লৈহন্দনবা পুমমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমীন্নবা অমসুং পুনশিনবা তঙাইফদবা লৈরি।

অমরোমদা, মন্ত্রিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শামুরৌদা লৈবা শামূরৌ কৈথেলগী নৌনা শেমগৎ-শাগৎলিবা ফিভমশিংসু য়েংশিনখি। শামুরৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসিএলশিংগা পুন্না চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মন্ত্রিনা হায়-শামুরৌ কৈথেল অসি ময়াই লম্বীদা লৈরিবা খুঙ্গং কয়াগী মীওইশিংগী হিংনবগী য়ামা মরুওইবা কৈথেল অমা ওইরি।

**রাণিখেত (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা য়েন-ঙানুনচিংবদা নাবদা লায়না রাণিখেত শনে দারক্লে হায়বগী চিংনবা লৈরে।

রাজ্য সরকারগী ভেটিরিনারি অমসুং এনিমেল হসবেন্দরি বিভাগকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা রাণিখেত লায়না অসি নারম্বা য়াই হায়বগী পাউ ফংলে। মসিদা মীয়াম অমসুং ঙানু-য়েন লোইরিবা মীওইশিংনা মীপায়বিগনু। পোলটরি ফামরসশিংনা মখোয়গী ঙানু য়েনশিং অদু ইখঙ খঙহৌনা নারকপা নৎত্রগা শিরকপা

য়াওরক্লবদি মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনারি ওফিসতা নৎত্রগা ভেটিরিনারি হোস্পিতাল অমদি ভেটিরিনারি দিসপেন্সরিশিংদা পাউ পীবিয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়-টোল ফ্রি নম্বর-১৯৬২ দা পাউ ফাওরকপসু য়াগনি।

**হাইপর (এল)ঃ** মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মনিপুরদা ঙসি ৱাৰ্ল্ড হাইপরটেন্সন ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম রিমস ইম্ফালনা শিনদুনা হোস্পিতাল অসিগী জেনরেল ও.পি.দি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা, মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লেমা হেলথ চেক-অপ অমদি স্ক্রিনিং কেম্পসু পাঙথোকখি।

সেনিয়ার সিটিজন্স সোসাইতি অমদি হেলথ ৱাকর এসোসিয়েসন-খুন্দ্রাকপমনা ৱাৰ্ল্ড হাইপর টেন্সন ডে ঙসি খুন্দ্রাকপম মখা লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কুমশি চহিগী ৱাৰ্ল্ড হাইপর টেন্সন ডেগী হীরমনা-'কন্ত্রোল্লিং হাইপর টেন্সন টুগেদর' হায়বসিদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী টেলি-কম্যুনিকেসন এন্দ ইনর্ফোমেসন সোসাইতি নুমিৎ ঙসি পালন তৌনরি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী হিরমনা- দিজিতেল লাইফলাইন্স- ষ্ট্রংথনিং রেজিলেন্স ইন এ কন্নেক্তেদ ৱাৰ্ল্ড হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়-লৈবাক অসিগী দিজিতেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা দিজিতেল ইন্দিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাক্কী পাউজেল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-দিজিতেলগী

খুথাংদা কাংলুপ খুদিংমকপু শমহন্দুনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকারনা হোৎনরি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক শিনবা থুংবদা পি.এম. জনমন অমসুং দাজগুব্রাগী মখাদা ইনর্ফোমেসন, এদুকেসন, এন্দ কম্ম্যুনিকেসন কেম্পেইন-জন ভগীদারি-সব সে দুর, সব সে পহেলে, তেংনৌপল জিলাগী ওইনা হয়েংদগী হৌরগনি।

জিলা অসিগী এদিসনেল দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরেল অমনা হায়-কেম্পেইন অসি থা অসিগী ২৫ ফাওবা চত্থগনি। এস.দি.ও. অমসুং বি.দি.ওশিংনা দাজগুব্রা খুঙ্গং মশক খঙদোক্কুনা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংনা কেম্পেইন অসি পাঙথোক্কদবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কাংপোকপীনসু কেম্পেইন অসি হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি। কেম্পেইন অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, মীয়ামদা মরুওইনা ত্রাইবেলশিংদা সরকারগী য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী মতাংদা নীংথিনা খঙহনবনি। মসিদা দিবলপমেন্ট ব্লোক ৯ অমসুং খুঙ্গং ৬১ কোনশিনগনি।

**আয়ুসমান (এল)ঃ** আয়ুসমান ভারত প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা পি.এম.জে.এ.ৱাই. হেলথ কার্ড এনরোলমেন্টকী কেম্পেইন অমা ঙসিদগী ককচিং ময়াই লৈকাই মল্টি পরপজ হোলদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ ১৫ নি চুপা চত্থগদবা কেম্প অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা হায়-সি.এম.ঐচ.টি. কার্ড পায়রম্বশিং পি.এম.জে.ৱাই. হেলথ কার্ডতা ওন্থোকবগী থৌরম অসি শিনবনি।

**আশা (এল)ঃ** রিলিফ সেন্টর ফোর দা ৱেলফিয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন, মনিপুরনা নেসনেল ফাউন্দেসন ফোর ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা নোংমগী ওইবা আশা ৱাকর, অঙ্গনৱাদি ৱাকর অমসুং মৈরা পায়বীশিংগী ওইবা ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি খাগেম্পলি নম্বুল মপালদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসি মরুওইনা রাইট ওফ পার্সন দিস এবিলিতিজ এন্দ আদর গভরমেন্ট বিনিফিসিএল স্কিমগী মতাংদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা লৈঙাকা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা মীয়মাদা মমুৎ তানা খঙহনখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ২০২৬ কী পদ্ম এৱার্ড, থা অসিগী ২৫ দা য়েন্থোক্লগনি।

হোম এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়-রাস্ত্রপতিনা নুমিৎ অসিদা পদ্মভি ভুষন, পদ্ম ভুষন অমসুং পদ্মশ্রী মনাশিং রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা য়েন্থোক্কনি।

পুন্না মীওই ১৩১ দা পদ্মা এৱার্ড পীগনি। মসিগী মনুংদা পদ্মভি ভুষন মঙা, পদ্মা ভুষন ১৩ অমসুং পদ্মশ্রী ১১৩ য়াওরি। মনা অসি নুপী ১৯ য়াওনা মশা লৈদ্রিবা মীওই ১৬ তা পীগনি হায়রি।

পদ্মা এৱার্ড অসি লৈবাক অসিগী মীচম মীয়ামদা পীবা অৱাংবা থাক্কী মনানি। মনা অসি-আর্ট, লিটরেচর, এদুকেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসিএল ৱাক, সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং, পব্লিক এফিয়ার্স, ত্রেদ এন্দ ইন্দষ্ট্রিদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক পীবনি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা গুজরাটকী গান্ধিনগরদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাইন্দ (এন.আই.দি) দা ইনোভেসন অমসুং ইনক্যুবেসন সেন্টর অমা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী সাহনা হায়-নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাইন্দ অসি ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপকা য়ামা নকহনবা ইন্সটিট্যুসন অমনি। মসিগা ক্রিয়েবিলিতিগী থবক থৌরমশিংগা য়ামা নকৈ। ইন্সটিট্যুসন অসিনা নহাশিংদা ইনোভেসন অমসুং প্রোফেসনেল দিবলপমেন্টকী মতাংদা চপ চাবা মফম অমা পীরি।

গৃহ মন্ত্রি, নুমিৎ নিনিগী গুজরাট খোঙচৎতা লাক্তুনা গান্ধিনগরদা লৈবা মধুর দাইরিগী নৌনা শাবা লিটর লাখ ৫ গী কেপাসিতি প্লান্ট অমসু ঙসি শঙ্গাখি। অহমেদবাদতা মিল্লিয়ন মাইন্স টেক পার্ক অমসুং গ্লোবেল কেপাবিলিতি সেন্টর কেম্পসসু শঙ্গাখি। গান্ধিনগর ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া অমসু শঙ্গাবা অমসুং যাত্রা হুনগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ঙসি নুমিদাংৱাইরম সুইদেনগী গোদেনবার্গতা থুংখ্রে। শ্রী মোদি লৈবাক মঙাগী খোঙচৎতা ঙসি অহুমশুবা লৈবাক্কী খোঙচৎতা মফম অসিদা থুংলখিবনি।

প্রধান মন্ত্রিনা গোদেনবার্গকী ইয়ারপোর্টতা হেক থুংবগা মহাক্কী ফম মান্নবা-সুইদেনগী প্রধান মন্ত্রি-উল্ফ ক্রিসতরসননা মহাকপু তরামা ওকখি। লৈবাক অসিদা শ্রী মোদিনা নুমিৎ খোঙচৎতা লাকপনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সুইদেনগী প্রধান মন্ত্রিগা লৈবাক অনিগী ওইবা মরি হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লৈবাক অনিনা লল্লোন ইতিক, আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্স, স্তার্টঅপ, টেকোলোজি, স্পেস, দিফেন্সনচিংবা লমশিংদা হেন্না অফবা মরী থমবা খন্নরবা য়াই।

লুচিংবা অনিনা ইন্দস্ট্রি, পান য়ুরোপিয়ন বিজিনেস ফোরমগী য়ুরোপিয়ন রাউন্দ টেবলদা পুন্না শরুক য়াগনি।

**এবোলাঃ** ঃ ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন (ডব্লিয়ু.ঐচ.ও) না দেমোক্রেটিক রি-পাব্লিক ওফ কোংগো অমসুং উগন্দদা এবোলা লায়না শন্দোরক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

ডব্লিয়ু.ঐচ.ওগী দাইরেক্তর জেনরেলনা হায়-মীওই ৮৮ শিখিবা অমদি মীওই ৩০০ হেন্না লায়না অসি লৈরম্বা য়াই হায়না থেংনরকপদগী ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডব্লিয়ু.ঐচ.ওনা হায়-কোবিদ নাইন্তিনদৌনা শন্দোরকপা য়াবগী ওইথোকপদি লৈত্রি। অদুমওইনমক, লৈবাকশিং অসিগী অন্টরজাতি ঙমখৈশিং থিংজিন্নবদি খঙহনখ্রে। হকশেলগী ওথোরিতিশিংনা হায়-এবোলা ভাইরস অসিগী লায়েংনবা হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন লৈত্রি। লায়না অসিনা নাবা মী অয়াম্বা কোংগোদগীনি হায়রি। য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক উগন্দদনা শুপগী মীওই অনিখক্তমক নাবা থেংনরে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা এস.এস.সি. পোরোম্পাৎপু ৱিকেট ৮ দা, খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা-কে.সি.সি. কোংবা বজারনা ডব্লিয়ু.ৱাই.সি. থৌবাল ৱাংখেমবু রন-১৫৩ দা অদুগা মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা- ফোর্স-ক্ষেত্রিগাউনা বি.কে. সি.সি. বামোন কম্পুবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** নোংচুপ কামেং য়ুথ জেনরেসন ক্লবনা শিনবা ১৩ শুবা সম্মরস স্পোর্টস মিট ২০২৬ কী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-ওলৱেজ ফ্রেন্দ ইম্ফালনা এস.কে.ৱাই.দি.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা, এস.কে.দি.সি. কংলাতোংবীনা লুৱাংশংবম মতাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা, গ্রীনলেন্দ পোৎশংবমনা কে.ৱাই.দি.সি. কৈকোলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** চহি ১৭ মখাগী অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মৈরা এফ.সি.সিনা সন্তোস এফ.এবু পাঞ্জল ২-১ দা,

জে.জে.এফ.এনা দি-স্কোরবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখি।